চহীদি অনী শুখিদৌরে, অঙাংগী লাইরিক তম্বনা কমদৌবা

- জয়েন্ত সরাংথেম -

এদ্যুকেসন হায়বসিনা তুংগী অফবা খুন্নাই অমগীদমক য়ুম্বীনি অদুগা মালেমদা অওনবা পুরক্কে হায়রবদি মসিনা খ্বায়দগী শক্তি লৈরবা খুৎলায়নি। মরমদি মীওইবনা খঙদ-উদবা অমম্বা ঈপাক্তগী অফ-ফত্ত, লৌশিং অমদি মঙালগী লম্বীদা পুরকই। অসিতসু নত্তে মসিনা চাওখৎ খোঙথাংবু শূরোন অমদগী শূরোন অমদা শিন্নরম্বদসু মতেং পাংই। অদুগা পুম্নমক অসি ওইরক্লবগীদমক ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা ঐখোয়গী অথোইবা লন্নি। মখোয়না খুন্নাই অমদি লৈবাকসিগী অমত্ত ঙাইরবা আশানি। তুংগী শেল-থুম করম তৌগদগে হায়বসিসু মখোয়গী মখা য়াম পোন্দবা নত্তে। হৌরক্লিবা নহাশিংদা থাদবা ইনভেষ্টমেন্টনা খ্বাইদগী চাওনা শেন্দোং ফংই। হায়নবা লৈ মদুদি করিগুম্বা চহী অমগী প্লান তৌরদি ফৌ থাও, চহী তরাগী তৌরদি উ থাও অদুগা করিগুম্বা চহী চাম্মগী প্লান তৌগে হায়রগদি ইচা শেম্মু হায়নরিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাইরিক লাইশু অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী কাঙলোন অমগী মখাদা য়োকখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবনা নেসনল পোলিসি ওন এদ্যুকেসন অসি শেমখি। পোলিসি অসিনা খুঙ্গং অমদি সহর অনীমক্ত লৈরিবা ইলিমেন্টরি অমসুং হায়র সেকেণ্ডরি অসি পূন্না কোনশল্লি। অহানবা এন পি ঈ অদু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা কুম্মজা ১৯৬৮দা শেমখি। অনীশুবদা রজিভ গান্ধীগী মখাদা কুম্মজা ১৯৮৬তা অমুক পূথোকখি। মরকসিদা প্রোগ্রাম অমদি স্কিম কয়া খূদম ওইনা সর্ভ সিক্সা অভিয়ান, রাইট টু এদ্যুকেসন ২০০৯ কয়া পনবা য়াই। অদুগা য়াম নৌনা অহুমশুবা ওইনা কুম্মজা ২০২০দা হৌজিক হৌজিকমক প্রধান মন্ত্রি ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা পুথোক্তুনা চৎনবা হৌনবা শেম শাখ্রে। হন্দক্কী পেন্দামিক অসিনা লাইরিক লাইশু তম্বগী মওং অসি অনৌবা ইভোল্যুসন অমগী মায়কৈদা চংশিল্লক্লি হায়বা য়াই। অদুগা মসিগী লমজেল অসিদা ঐখোয় য়াওহৌবসু চংই। নৎত্রগদি চাওখৎ-খোঙথাংদা মালেমগী লৈবাকশিংগী মতুংদা লৈহৌগনি। মরমদি ঐখোয়নসু হেন্না খঙনরবা দর্ৱিন থিয়োরিগী মতুংইন্না হায়রম্মী মদুদি মতম-মতমগী অওনবদা লান্থেংনবা ঙম্মীবা অদুতমক হিংহৌগনি।

হন্দক এদ্যুকেসন সেক্তরদা খরা হোৎহল্লক্লিবা অসি মালেমসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসি থোরকপদগীনি হায়নিংই। মসিনা মালেমগী ওইনা অঙাং বিল্লিয়ন ১.২ হেন্না লাইরিক তম্বা পূংলেপ লেপহনখি। কুম্মজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৩০ দা চাইনাগী ৱুহান সহরদগী হৌরকপনি হায়না থাজনরিবা য়াম লৌনগনবা ঐখোয়না কোভিদ-১৯ হায়না হেন্না খঙনরবা লায়না অসিনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা শন্দোরকপদগী স্কুল কয়া থোঙ লোন্নখি। এগজাম কয়া য়ৈথোক্লখি। তৌখিদবসু য়াওখ্রে। অহানবা কোভিদ ৱেভ অসি কুম্মজা ২০২০গী মার্চ ১৫ দগী হৌরগা জুন ৩০ ফাওবা অদুগা অনীশুবা ৱেভনা জুলাই ১দগী হৌরগা ওক্টোবর ১৫ ফাওবা তৌখি। অদুগা অঙাংদনা হেন্না নাগনি হায়না থাজনরিবা কোভিদ থার্দ ৱেভ অসি কুম্মজা ২০২১গী ওক্টোবর থা লোইরমদাইদগী হৌরক্কনি হায়নসু থাজনরি। লৈবাক কয়াদা লায়না অসিনা শোকহল্লবসু মালেমগী সুপর পৱর ওইনিংলিবা চাইনাদদি মখোয়গী প্রোভিন্স খরা খক্তদা শোকহনবা নত্তনা কা-হেন্না অতৈদা লায়না অসিনা শন্দোকখিদে অদুগা মখোয়দি তুংগী খঙবনিনা অঙাংগী লাইরিক লাইশু তম্বসু ময়ামদগী মখোয়না হানখি। মসিনা তাকপদি কোভিদ-১৯ অসিগী মরুমদা কন্সপিরেসি খরা লৈরবরা হায়নিংই। অদুগা ঐখোয়সিদদি লায়চৎ অসিগী খূদোংচাবা লৌনদুনা মশাগী মীয়ামদা ওনশিন্দুনা পার্টি পোলিটিক্স তৌনদবসু নত্তে। অমনা অমদা মরাল থঙজিন্নদুনা তৌনা লৈরে। মসিনা অরোইবদদি লাইরিক্কী লম্‌দা ঐখোয় অমদি ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহাশিংবু মাঙহনবা নত্তনা করিসু অফবা পুরক্লোই। পেন্দামিক অসিনা চানবগী অৱাবা, মপান-ইপান থোক্তবনা শুফম নোম্ফম লৈরক্তবা অমদি শেল থুমগী অৱাবশিং অসিগী মনুংশিদা ফাওবা লনাই স্কুলশিংনা থাগী অমদি মীং চনবগী শেল চাওনা চাওনা লৌরিবশিং অসি ফাওবা লৈঙাক্না য়েংশিন্দবগুম তৌখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। য়েংশিল্লবসু সী এস ও শিংনা য়াম্না লৌবা য়ানি য়ারোই তৌনরকপদগী লৈঙাক্না মমিংতগী ওইনা তৌখ্রিবদুনি। মসিনা তাকপদি হয়েংগীদমক হৌরক্লিবা ঙসি ঐখোয়গী নহাশিংগীদমক ফন্নবা মীয়াম্না লাওদ্রি ফাওবা লৈঙাক্না করিসু তৌদে হায়বসিমদি ময়েক শেংলে। মসিনা মসি ওইখ্রে। পেন্দামিক অসিনা টেক্নোলোজিদা বেজ তৌবা লাইরিক তম্বগী মায়কৈরোমদা চংশিল্লক্লবসু, ঐখোয়না য়েংশিলহৌগদবদি মতৌ করম্না ঐখোয় শেম-শাদুনা অওনবা অসিদা য়াওহৌগদগে, লায়র-ইনাকখুনবা, চীং-তম চপ মান্ননা লাইরিক তম্বগী খূদোংচবা অসি ফংহনগদগে হায়বসিশু য়াম্নমক মরু ওই। অসিতসু নত্তে ওনলাইন ক্লাসতা ফংদবা মোরেলগী ওইবা খূদম ওইনা হৌন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, অফবা হৈনবা, অফবা ৱাখল খনবা কয়ামরুম অসি অঙাংশিংদা খঙহনবগী মথৌ তাই। মরমদি পুন্সি হায়বসি লাইরিক্তা য়াওরিবা ফেক্ট অদুখক্তা খঙবগী মথক্তা অতৈ কয়া মরুমসু খঙজিন/হৈজনবা চংই।

ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিংবু য়োকখৎলিবা শেমগৎলিবা মখোয়না হয়েং লাক্কদবা মতমগী মপূনি। লাইরিক লাইশু অফ-ফত্ত তম্বিদ্রবা খূন্নাইদুনবু করি করম্বা অওনবা অমদি চাওখৎপা পুরক্তেইনো? কোভিদ-১৯ লায়চৎ অসিগুম্বা অমা লাক্তুনা শেল-থুম অমদি এদ্যুকেসন সেক্তর য়াওনা মালেমদা অসুক্কী মতিক অওনবা পুরক্কনি হায়বসি কনানবু খনখিগেনে। মসিনা পীবা শাফু অসি মফম শিন থুংই। হিংনবগী লানফমদা চানা থক্লবা লৈরক্তবা, কয়া অমনা শীখিবা, ইন্দষ্ট্রি কয়ানা মুৎখিবা, অঙাং কয়ানা লাইরিক তম্বা তোকখিবা, মমা-মপা কয়া অমনা লনাইদা তৌবা থবক কয়া তৎখিবা, কয়া অমনা অতোপ্পা থবক তৌবা তারকপা, হিংদবদি য়াদবনিনা প্রাইভেট স্কুল ওজা ফাওবা অতোপ্পা থবক থিবা হৌনরে। এদ্যুকেসনগী অনৌবা অওনবা অসিনা অপিক অপিকপা স্কুল কয়ামরুমসু হেন্না মুৎখিদৌরে। অদুগা লাক্লিবা অনৌবা অওনবা অসি চুশিন্ননবা হোৎনবদা মতম খরদি চংগদৌরি। অমরোমদা হান্নগী ফোর্মেল এদ্যুকেসন্দা ওজা-ছাত্র মায়-মায় ওনশিন্নদুনা তাকপা ফাওবদা অৱাবা ওইরিঙৈসিদা হৌজিক পীক্লিবা অঙাংশিংসিদা মোবাইল পিশিনবনা লান্না শিজিন্নরক্তুনা গেম অমদি সোসল মীদিয়াদা ওইনা লাইচুনরক্লবগী অচৌবা খুদোংথিনিংঙাই অমসু লৈরিবনি। অদুগা অমুক য়েংসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদি লায়রবা অমদি ময়াই ওইরপ তৌবা মীদ্দল ক্লাসনা নম্না তাবা খুন্নাইনি। শেল পায়বা লাইরিক লাইশু হৈবা মমা-মপাশিংগী মচাশিংদি মতেং তৌবিবনা অদুক হাক্লা চৈথেং অসি ফংদে হায়বদুম য়াই। য়াম চাওনা চৈথেং পীরিবদি হিংননবা লান্থেংনরিবা লাইরিক হৈহৌদ্রবা ইমুংশিংদনা খরা হেনবজাৎনি। মখোয়দি মচাশিংবু লাইরিক তাকপসু ঙমদে, ওনলাইন ক্লাসকী স্মার্ট ফোন লৈবিবসু ঙমদা লু কোকপদা লেন তাবসি মঙাইরে। অদুনা খুন্নাই অমদা লৈরিবা অয়াম্বা মীয়ামদা শোকহনবনা লৈবাক্কী চাওখৎ খোংথাংদা শোয়দনা অপনবা পীরক্কনি। অসিতসু নত্তে লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা চাবা থকপা ৱাৎপা, লৈত-লায়র ছাত্রশিংদি থাগী ফি লৌদবা মীংজলশেন লৌদবা, লাইরিক লেম্না ফংবা অমদি মিদ দে মিল চাবা ফংনবা লাকপনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই অদুবু পেন্দামিক অসিনা স্কুল অয়াম্বা থোঙ লোইনা লোনখ্রবনিনা হায়রিবা পীক্লিবা অঙাংশিং অসি হিংনবা অমদি ইমুংগী লৈত-লায়র মতেং পাংনবা থবক শুবা 'চাইল্ড লেবর' রোমদা চৎখিবনা মান্নদবা অনেম-অৱাংগী খুন্নাই অমদা লাক্লবগী মরমসু ওই।

হান্নগী ফোর্মেল এদ্যুকেসন্দগী হন্দক নৌনা লাক্লিবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা তৌরক্লিবা ওনলাইন ক্লাস, জুম ক্লাস অসিনচিংবা অসিনা পিরক্কদবা কান্নবা অমুক খঙমিন্নসি। অহানবদা মতম ইচং চংদনা য়াম থুনা দাতা ইনফোর্মেসন অমদি তোঙান-তোঙানবা তোপিকশিংবু ওনলাইন ক্লাস, ই-লরনিং অমসুং দিষ্টেন্স এদ্যুকেসন অসিনা অনকপা অরাপ্পা অনীগী খেন্নবা থমদনা চীংদা লৈবা, তমদা লৈবা, সহরদা লৈবা মহৈরোয় পুম্নমকপু খেন্নবা লৈতবা লাইরিক লাইশুগী মঙাল চপ মান্নবা মতমদা পীবা ঙমহল্লগনি। অনীশুবদা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া শিজিন্নরকপনা চে চাং য়াম তিংদনা, মতম ইচং চংদনা অমদি স্কুলদা চৎলুবা তৌদনা য়াম লায়না ওনলাইন্দা থাগী ফি থিবা, মীং চনবা, এগজাম তৌবা, এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিনচিংবা কয়া তৌনরকপনা মহৈরোয় অমদি মমা-মপাশিংদা মতম য়াম মাঙলরোই। অহুমশুবদা হান্নগী 2Pদগী 3Pদা ওইরকপা হায়বদি ওজা-ছাত্র-মমা-মপা অহুমসিগী মরী অমদি থৌদাং হেনগৎলকই। মমা-মপানসু মচাশিংবু কুপ্না য়েংশিনবা ঙল্লকপগী মথক্ত ওজাবুসু মোনিটর তৌবা ঙল্লকই। মচানসু থৱায় য়াওদবা মতৌ তৌবসু ঙল্লরোই অদুগা ওজাসু তাক্কদৌরিবা হিরমদুগী মতাংদা হান্না নৈনরগা লাক্তুনা ফজনা তাক্তবা য়াররোই। মরিশুবদা মহৈরোইশিংনা মফম অমা হেক্তদা ওনলাইন ক্লাস য়াওবা য়াবগী মথক্ত হান্নগী মতৌগুম কার্ফিয়ু, বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, শটদাউন হায়রিবশিং অসিনা লাইরিক তম্বদা অয়েৎপা পীবসু ঙল্লরোই। মঙাশুবদা মহৈরোয়শিংনা ওনলাইন ক্লাসতি ভিদিওশিংবু রেকোর্দ তৌহৌদুনা কোন্না কাউখ্রকান্দা য়ুমগী থবক তৌনা-তৌনা তাবা য়েংবা য়াহল্লি। অতোপ্পা স্কুলগী ওজানা তাকপা ভিদিও রেকোর্দ অদু ৱাটসএপ, মেলনচিংবা শিজিন্নদুনা মখোয় মশেল স্যেরিং তৌবা য়ারকপনা মহৈরোয়শিংনা অমগা অমগা কম্পেরিজন তৌনদুনা হেন্না মমুৎ তানা খঙবা হেনগৎহল্লগনি। মসিনা পব্লিক প্লেটফোর্ম ইন্টর্নেটতা তোঙান তোঙানবা ভিদিও লেকচর ময়াম মরাং কাইনা ফংহনবদসু মতেং পাংলগনি। তরুকশুবদা ওনলাইন ক্লাসতা তাক্লিবা পারাশিং অদুগা মরী লৈনবা দাইগ্রাম, মুচ-মুচুগী পিকচরশিং, ফোটোশিং অসিনচিংবা স্লাইদ সোদা উৎলকপনা মহৈরোয়শিংনা য়েংবা, তাবদা অৱাবা চোকথবা ফাওহন্দে হেন্নদুম ইন্টরেষ্ট লৈহল্লগনি। তরেৎশুবদা মতম ফজনা মেনেজ তৌবা য়াহল্লগনি। ওনলাইন ক্লাস তৌবনা অফবা মহৈরোয়শিংগীদি স্কুল চৎনবা লোইশিনবগী মতম, চৎপদা চংবা মতম অমদি হল্লকপদা চংবা মতমশিং অসি মাঙদ্রবনিনা লাইরিক পাবগী মতম য়াম ফংলক্লগনি। নিপালশুবদা কোন্না শিজিন্নগনি হায়দুনা স্কুল কয়াগী ওজাশিংনা তাকখিবা ভিদিও লেকচরশিং অদু মেমোরি নৎত্রগা হার্দ ডিস্কতা রেকোর্দ তৌহৌবদুনা হায়রিবা মহৈরোয় অদুগী মখা তাবা মচিন-মনাও কয়াদা অমুক ফংহনবনা ট্যুসন তৌবগী চৎনবী অসি খরদি শোয়দনা হন্থরক্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈ। মাপনশুবদা এদ্যুকেস্নেল এপ অমদি মখল কয়াগী শুগাইনা তাক্লবা রেকোর্দ ভিদিও লেকচর ইন্টর্নেটতা লায়না ফংলবনিনা লাইরিক্তা থৱায় য়াওবা লায়রবা মহৈরোইশিংগীদি তাকপীনিংঙাই লৈতে হায়বগী অৱাবসু লৈররোই হেন্নদুম মশানা লাইরিক পাজবা হেনগৎলক্লগনি। তরাশুবদা ই-লরনিং অমদি ওনলাইন ক্লাস হৌনরকপসিনা ইন্টর্নেটতা ৱাৰ্ল্ড-ৱাইদ এক্সপোজর হেনগৎহল্লি। মসিনা মালেমদা লৈরিবা স্কোলর, এদ্যুকেটর, রাইটর অমদি ইন্টর্নেসনল ষ্টুদেন্ট কম্যুনিটি কয়াগা ইন্টরেক্ট অমদি ৱাখল্লোন কয়া স্যেরিং তৌনরকপগী খুদোংচাবা লৈরকপসিনা লাইরিক লাইশুগী লম্‌দা অচৌবা অওনবা অমগসু লাক্লগনি।

মথংসিদি ঐখোয় অমুক লাক্লিবা টেক্নোলোজিদা বেজ তৌবা লাইরিক খুতম অসিগী মাঙজবা অমুক খঙমিন্নসি। অহানবদা ওনলাইন, ই-লর্নিং নৎত্রগা দিস্তেন্স এদ্যুকেসন অসিনা হান্না ফোর্মেল এদ্যুকেসনদা তৌরম্বা এক্টিভিটিশিং খুদম ওইনা স্কুল স্পোর্ট, কলচরেল প্রোগ্রামশিং, ষ্টেজ পর্ফোর্মেন্স, চিলদ্রেন দে, টিচর্স দে, এক্সকার্সন, সাইন্স অমদি হিষ্টোরিকেল স্পোট ভিজিৎনচিংবা কয়া অসি অঙাংশিংদা লাইরিক্কী মথক্ত তৌরক্তবনা মখোয়দা তুংগী থবক্কী স্কোপ পীকশিল্লকই। অঙাংগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা মানা চৎনিংলিবা লাইন অদু মশানা উংথোকচনবগী নৎত্রগা ঐখোয়না খঙদোক্লবগী মেকানিজম সুম ৱাৎলকপসিনা মখোয়গী ৱাখল লৌশিং হন্থরক্কনি। মরমদি লাইরিক তম্বা হায়বসি লাইরিক্তা য়াওরিবা ফেক্ট অদুখক্তা তম্বগী মথক্ত পুন্সিরোল কয়াসু অঙাংদা তম্বিবা চঙই। অসিদসু নত্তে অঙাং অমনা লাইরিক খক্তদা ফাওগনি, হৈথোই শীংথোইগনি হায়নিংঙাই লৈতে, অতোপ্পা লাইন কয়াদসু মানা পামজবা হিরমদা থাবিবনা ফগনি। অনিশুবদা দিজিটেল দিভাইড লাক্কনি। সহরদা লৈবা পৈশা পায়বা মমা-মপাশিংগী মচাশিংদি করিসু ৱানিংঙাই লৈতে। অদুবু মোবাইল নেটৱার্ক ফজনা ফংদবা অরাপ্পা মফমদা লৈবা, চীংদা মান্দা লৈবা মহৈরোয়শিংদি কয়া খুদোংচাগন্দে। মসিনা অমুক চপ মান্নবা লাইরিক খুতম ফংহন্দে। অদুগা হান্না লৈঙাক্কী স্কুলদা লেম্না তমদুনা মিদ-দে মীল চারম্বা মহৈরোয়শিং অদু হৌজিক্তি অতাঙবা স্মার্ট ফোন লৈবা ঙমদবনা লাইরিক তম্বা তোকখিনবগী চাং য়াম ৱাংলক্কনি। অহুমশুবদা ওনলাইন ক্লাসতদি য়েংবা অমদি তাবা খক্ত অয়াম্বা ওইরকপা অদুগা তৌরিবা খরদুসু ফোটো কোপিদা লোইনা প্রীন্ট তৌরগা চিংথোক্লরবনিনা ইবগী চাং য়াম ৱাৎলকপা অসিনা অঙাংগী খূৎই থিরকপা, হোম-ৱার্ক তৌবগী হৈনবী মাঙশিল্লকপা, এগজাম নৎত্রগা টেষ্ট তৌবদা নত্তবা পান্বে শীজিন্নরক্লবগী চাং হেল্লকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মরিশুবদা ওনলাইন ক্লাস লাকপনা ফিজিকেল ৱার্ক ৱাৎলকপা লোয়ননা ইমুংদা ফমজিন্দুনা ফোন অদুদা অদুম অয়াম্বা য়েংদুনা লৈরকপনা অঙাংগী মমিৎ অমদি মশা শোকহল্লক্কনি। মঙাশুবদা ক্লাসমেট অমদি মখোয়গী মরুপশিংদগী তম্লক্কদবা পুন্সিরোল অমসুং মরী ৱাৎলকপা থেংনগনি। লাইরিক তম্বদা ৱাখলখক্ত নত্তে থম্মোয়সু (মোরেল) য়াম মরু ওই।মাবু তাকপিরকপা ওজা লাই গুরুদা ফাওবা হৌন-লোনচৎ উৎনরক্লরোই। হায়নবা লৈ মদুদি লন-থুম মাঙবদি করিসু মাঙদে, হকচাং মাঙবদি করিগুম্বা খরা মাঙজে অদুবু লমচৎ(করেক্টর) মাঙবদি পুম্নমক মাঙলবনি। তরুকশুবদা ওনলাইন ক্লাস তৌবদা করিগুম্বা কান্দা মহৈরোয় পুম্নমক মতম অমত্তদা কনেক্ট তৌবা ঙমদবা য়াওরক্কনি। মরক্ত অমুক কনেক্ট তৌরক্লবসু মদুনা অয়েৎপা ওইরকপা য়াই। ইমুংগী অমদি লৈকায়গী লাও-খোঙবা লোয়ননা অয়াকপা মখোল কয়ানসু অয়েৎপা ওইরক্কনি অদুবু হেন্না শোকহল্লিবদি য়াম পিক্লিবা প্রি-ক্লাস লেভেলে তম্লকপা হৌরক্লিবা মখোয়শিংদনি হায়নীংই। কেজবা, নৌজবনা মখোয়দদি মমা-মপানা হায়বসু লৌগদবা নত্তে। মখোয়দি ওজাগা য়াম নক্লনা হকচাং থেকপা হাইবা তৌবোই, শান্নবোয়, থেম্বেই তৌদুনা লাইরিক অমগদবা ওইবনা ওনলাইন ক্লাস তৌরকপনা অদুক হাক্লা কান্নগনি খন্দে। তরেৎশুবদা মফম খুদিং চীং-তম পুম্নমক ইলেক্ট্রিসিটি ফগাৎহন্দবা য়াররোই। অদুগা পিক্লিবা অঙাংশিংনা ওনলাইন ক্লাসকী মিংদা স্মার্ট ফোন য়াম তোয়না শীজিন্নরকপনা সোসল মীদিয়াদা, গেমদা লোয়ননা নুংশি-নুংওন্দা হান্নদগী হেন্না লাইচুরকপা (এদিক্ট) হেল্লক্কনি। নিপানশুবদা ওনলাইন ক্লাস তৌবা অসি অয়াম্বা থিওরিদা বেজ তৌবা লাইরিক খূৎতম ওইবনা প্রেক্টিকেলগী ওইবা খুদম ওইনা সাইন্সকী অমদি এঞ্জিনিয়রিংগী লেব, কম্প্যুটর লেব, মেদিকেল লেব অসিনচিংবা কয়া হন্থরক্লবগী মরম ওইরক্কনি। মসিনা খূৎশাগী হৈশিংবা স্কিল দিভেলপমেন্ট ৱাৎলকপনা লৈবাক্কী শেল-থুম শোকচিল্লকপদা নত্তনা থবক ফংদবগী চাংসু হেল্লক্কনি। মাপলশুবদা স্কুল মচা-মচা কয়াসু মতম পুম্বগী ওইনা মুৎখ্রগনি। শেল পায়বা স্কুল নৎত্রগা অচৌ-অচৌবা কম্পেনি কয়া চঙলক্লগা এদ্যুকেসনবু কন্ত্রোল তৌরক্তুনা শেন্দোং তান্নবা বিজিনেস ওইনা তৌনরক্লবগী লম্বী ওইরকই। তরাশুবদা হান্না স্কুলগী থবক তৌদুনা হিংজরম্বা ভেন সর্ভিস, বোর্দিং অসিনচিংবা কয়াসু মুৎখ্রগনি। মসিনা অমুক লৈত-লায়রগী চাংসু খরদি শোকচিল্লক্কনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

মিনিষ্টর রাজেনগী থৌওং য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তনা পোলিটিকেলগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লুবা হোৎনরকপদা লমদেংগী মৈরা পায়বী লুপ ৩ অমদি ক্লবশিংনা মীফম অদু পাঙথোক্তনবা হোৎনরুবদা মিনিষ্টর রাজেননা লৈঙাক পায়বদা য়াওই, ঙম্মী হায়বগী মতাগুম ইম্ফাল ৱেষ্টকী সিক্যুরিটি ফোর্স লমদেংদা থাজিল্লক্তুনা মোক বোম অমদি টীয়ার গ্যাসনচিংবা মশীং খঙদনা কাপশিল্লকপদগী মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবগী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি লমদেং মখা লৈকায়দা লৈবা দ পাইওনীর ক্লবকী হোলদা মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

পুলিসনা মোক বোম অমদি টীয়ার গ্যাস কাপশিল্লকপদগী মীওই কয়া অশোক-অপন নংহনখিবগা লোয়ননা য়ূম খরসু অমাঙ-অতা থোকহনখি। হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লমদেংদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা অশি-অনা কয়া য়াওখিবা মরম্না অসিগুম্বা তমথিরবা লাইচৎ অসিগী মনুংদা এস ও পি ঙাক্তনা মীফম পাঙথোক্কনি হায়না তৌরকপদা শুপ্নগী অসিগুম্বা মীফম অসি পাঙথোকপীগনু হায়রুবগীদমক থৌদোক অসি থোকখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চাকশঙদা চাক থোক্লিঙৈ মতমদা মোক বোম অমা তাশিল্লকপদগী মীৎ শোকপগা লোয়ননা চাকশঙদা লৈরিবা অঙাংশিংদসু মীপাইবা পোকহনখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইরিবা মীওই অমনা তৌফম থোক্তবরা হায়না খল্লি। অসিগুম্বা পোলিটিক্সকী লাল্লেং শীজিন্নরকপা অসি য়ানীংদে।

মিনিষ্টর রাজেননা লমদেংগী মীয়াম্বু করিসু লৈতবা মওংদা উরিবা অসি য়ানীংদে। অসিগুম্বা সিক্যুরিটি ফোর্স কা-হেন্না শীজিন্নদুনা মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং নংহনখিবগী থৌদোক অসি অমুক হন্না তৌদনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ষ্টেট টীচর এৱার্দকী ফংলকপা শেনফম কখোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): কুমশি চহীগী ষ্টেট টিচর এৱার্দ ফংখ্রবা খুরখুলদা লৈবা সরদার পাতেল হায় স্কুলদা হেদ মাষ্টর ইন-চার্জ ওইরিবা হুয়াম প্রিয়োব্রতনা ষ্টেট টিচর এৱার্দকী ফংলকপা শেনফমদগী অহানবা ওইনা লুপা ১০,০০০ সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা অতোং খুমনগী কনা লৈজদ্রবা শুপ্নতগী মবোক অমগা মশুনুপা অমগা তরক-তরক লৈজবা অহোংশাংবম ওংবী মোতিহরিদা অৱা মতেং পাংবা ওইনা খূৎশিন্নখ্রে। অতোং খুমনগী ক্লবতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা ষ্টেট টীচর এৱার্দী হুয়াম প্রিয়োব্রতনা হায়, হাওরং খুন্নৌ, সাইরেম খুল অমদি অতোং খুমনদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাবা ইমুং থীগৎলুবদা অহোংশাংবম ওংবী মোতিহরিগা শুপ্নগী মশুনুপা চহী নৌরিবা অমগা লোয়ননা নোংমা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুদুনা হিংমিন্নরি তাবদা য়াম্না চাওবা মতেং অমা ওইদ্রবসু ঙমজবা ওইনা ইমুং অসিগী অৱাবদা মতেং পাংবা ওইনা ষ্টেট টীচর এৱার্দতা ফংলকপা শেনফমদগী লুপা ১০,০০০ কায়থোক্তুনা মতেং পাংবনি।

তোঙান তোঙানবা টীচর এৱার্দ ফংলকপদা য়াওরকপা শেনফমশিং অমদি হন্দক ফংলকখিবা ষ্টেট টীচর এৱার্দকী শেনফম অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অৱাবা ইমুংশিং থীগৎতুনা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংবগী থবক পাঙথোকখিগনি। ঙসি মতেং পাংলিবা অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকচবনি। মসিদা লৈবাক মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌবালদসু ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীশিংনা ৭শুবা পে পীদবগী খোঙজং হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ থৌবাল সব-দিভিজনগী ইমপ্লোয়ীশিংনসু ঙসিদগী ৭শুবা পে পীদবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

SIT IN PROTEST
AGAINST
NON ADOPTION OF 7TH ROP(2019)
Organised by
JAC of MEEU, PESA (MSPCL) & MOA (MSPDCL)
At MSPDCL Thoubal Sub-Division

ঙসিগী খোঙজং অদুদা মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি সী এল), মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল), মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন এম ঈ ঈ য়ু), এম এস পি সী এলগী পৱার ইঞ্জিনীয়র সর্ভিস এসোসিএসন (পি ঈ এস এ) অমসুং এম এস পি দি সী এলগী ওফির্স এসোসিএসনগী অপূনবা জে এ সীগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

ইমপ্লোয়ীশিং অদুনা এম এস পি সী এল, এম এস পি দি সী এল অমদি ঈ দি এমগী ইমপ্লোয়ীশিংগী অৱাবা উবীদুনা খূদক্তা ৭শুবা পেগী রিভিজন ওফ পে (২০১৯) অসি ফংহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা এম এস পি দি সী এল থৌবাল সব-দিভিজনগী ঈ ও সগোলশেম খেলেন্দ্রোনা হায়, ঙসিগী খোঙজং অসি জে এ সীনা লৌরকপা ফিরেপ অদুবু শৌগৎতুনা চথবনি। লৈঙাক্কী অতোপ্পা ইমপ্লোয়ীশিংদা ৭শুবা পে কম্মিসন অসি ফংহনখ্রে অদুগা ইসেন্সিএল সর্ভিসনি হায়রিবা ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীশিংদনা ঙসি ফাওবা ফংহনবীদ্রি। অসুম্না ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তা লৈঙাক্না খেন্নবা থম্বীগনু। ৭শুবা পে অসি ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীশিংদসু চপ মান্নবা থাক্তা ফংহনবীয়ু। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা হন্না হন্না হায়জবা তাবীদবদগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি হায়খি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা জে এ সীনা লৌরকপা খোঙথাং খূদিংমক থৌবাল সব-দিভিজনগী মায়কৈদগী চপ চানা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা খেলেন্দ্রোনা মখা তানা হায়, ইমপ্লোয়ীশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা ৱাকৎশিং অসি তান্দুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মনুংদা মৈ য়াখিদবা য়াওরক্লবসু মদুবু শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং লেপকনি, মসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না ইমপ্লোয়ীশিংবু ৱারৌবীগনু হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইমপ্লোয়ীশিংদা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীয়ু, 'ৱি দিমান্দ সভেন্থ পে, এম এস পি সী এল এন্দ এম এস পি দি সী এল দিমান্দ সভেন্থ পে', অথুবা মতমদা আর ও পি ২০১৯গী মতুং ইন্না খুদোংচাবা পীয়ু হায়বনচিংবা ইবা প্লেকার্দশিং পায়নখি।

গৌতমদা লেৱা অমদি দাইমন্দ রেদিওনা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা কা-হেন্না অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীবগী মখা চথুরকপা ওইনা হিয়াংলম এ সীগী মনুং চনবা লমজাওদা লৈবা থোকচোম গৌতম (৩০) অপোকপা টিঐচ ইঙোবীদা অনীরকশুবা ওইনা তেংবাঙ ওইনা লেৱাগী প্রসিদেন্ট ওজিৎ অমদি দাইমন্দ রেদিও খোংজোমগী প্রোগ্রাম ইগজেক্যুটিভ জেমস হৈক্রুজমনা লুচিংবা কাঙবু অমনা লেৱাগী মায়কৈদগী লুপা ১৯,০০০ অমদি দাইমেন্দ রেদিওগী মায়কৈদগী লুপা ৩,০০০ মতেং পাংখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, গৌতম লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শোক্তুনা হৌজিক হৌজিক হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা ৱানা পুন্সি লেল্লি। লায়েংনবা হোৎনবদা লৈনরিবা য়ূম তঙ্খায় য়াওনা য়োনখ্রে। অসিগুম্বা থম্মোয় শোকপগী পাউ অসি তাবদা মতেং অসি পাংজবনি হায়রি।

সুর্জকুমারনা লম্বী শেমজিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যু-এন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা সমরাম অমদি সঙ্গাইয়ুম্ফম খুল অনী ফাওনরিবা লম্বী অসিদা লৈরিবা কলভর্ট অসি কাইরকপদগী মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না চখোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী মীয়াম্না লোকল এম এল এ সুর্জকুমার ওক্রমদা শেমজিনবীনবা হায়জরুবদগী এম এল এনা হরাও হরাওনা খূদক্তা মী থাবীরক্তুনা কলভর্ট অসি শেমজিনবীবা হৌরে। মগীদমক সমরামগী মীয়ামগী মায়কৈদগী এম এল এ অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা এম এল এ সুরজকুমারনা তৌবা থবক থৌরম খূদিংমক্তা সপোর্ট তৌজবগা লোয়ননা তৌরু-তৌরুবা থবক থৌরম খূদিং মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়না মীয়ামগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

[illegible]

50% LOAN

PAINTING FOR BUILDING

At Rs. 20/- sq.ft. for Building
At Rs. 17/- sq.ft. for School and Hospital
(Labour & Material)
15% Discount for Cash Payment
Please Contact : 7640845531
HL-P/6974/8,9,10

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ/REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 12144 of 2021 issued by COHSEM on the way between Yurembam and Johnstone Higher Secondary School, Imphal on 6th September, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Sohodeva Mayengbam**
Yurembam Awang Leikai,
9774423712

HL-P/9515/10

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯑꯃꯥ ꯌꯣꯡꯒꯔꯤ / ইংখোল অমা য়োঙ্গরি

অথুবগী ওইনা Leirenkabi Maning Leikai UK Road তা লৈবা (point) .87 চাওবা ইঙ্খোল অসি অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। পান্দীবা মীওইশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

Contact No. : # 8414977876
# 8974986790

HL-P/9514/10

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ / অৰাবা ফোঙদোকচরি

শ্রীহিজম লোকেন সিংহ Kekru Ideal Progressive Committee (KIPC) গী Executive Committee গী মেম্বর ওইবীরম্বনা হৌখিবা তাং ৭/৯/২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কম্মিটি মেম্বরশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা শ্রীশোরাইশম কাহাই সিংহ, প্রসিদেন্টনা সভাপটি ওইবীদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মেম্বরশিংনা থৌনীজখি। লোয়ননা মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা তৌবীরম্বা থৌদাং কয়াগী মরমদসু মেম্বরশিংনা শীংথানখি। শ্রীহিজম লোকেন সিংহ Kekru Gwarok Mahadev গীসু মতম শাংনা সেবারি ওইনা অচৌবা থৌদাং কয়া য়াবীরম্মী।

Sd/- **Laishram Somorendro Singh,**
Kekru Ideal Progressive Committee,
Yairipok

HL-B/7143/10

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ / MARKSHEET CUM CERTIFICATE LOST

I have lost my Marksheet cum Certificate of Class X Examination 2013 bearing Roll no. 10912 issued by BOSEM on the way from Khurai to Chingmeirong on 6th September, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Laiphangbam Bidyananda Roy**
Khurai Salanthong

HL-P/0005/10

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং 6/9/21 ইং

No. IMC/92/Ro/N-T/Adv./2016-17/News Approval অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. 3 New Market/Shed No. 6 Licence No. 545 Seat No. 66 শ্রীমতি Oinam (O) Mema Devi W/o O. Charly Singh of Singjamei Makha Oinam Leikai গী মংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রীমতি Okram Chanu Santamani W/o Khangembam Biradhaja Singh of Keishamthong Elangbam Leikai Licence গী মিং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Lience Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি Licence গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন

HL-P/0004/10

[illegible] / মাইক্রো ফাইনান্সকী লোন পীবীনবা হায়জবা

হৌজিক-হৌজিক COVID-19 Pandemic না মরম ওইদুনা খম থেংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা মতমসিদা অনৌবা ললোন-ইতিক হৌদোকচনবগীদমক খূৎতা শেন্নিং অমত্ত লৈতবনা মরম ওইদুনা মখা তানা ঐখোয়গী অৱাবশিং উবীদুনা মাইক্রো ফাইনান্সকী লোন পীবীনবগীদমক নোল্লুক্লা হায়জরি।

হায়জরিবা **: Centre Leader : K. Lina Devi**
Centre Name : Loumanbi Centre
Bashikhong Wangkhei Loumanbi

HL-P/0002/10

ꯊꯕꯛ / 81 JOB VACANCY AVAILABLE

Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official post 81 (Male 44 + Female 37) gidamak candidate singdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 35 gi manungda leiba Class X, XII, Graduation pass touraba amadi tamliba meeoisingna thabak asi apply toubiraba yagani.

Monthly Income : 10,000/- to 37,000/-
Facilities : Fooding + Lodging Available

"NO DEPOSIT REQUIRED".

Apply toubiningba meeoisingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana tannabiu.

HL-P/6953/6-16 (alt)&20 **Contact : 9774986962, 8812023893**